# ‘লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংগী ৱারীনা অনৌবা থৌনা হাপ্লসি’

- উশম ধরমেন্দ্র -

লৈবাক্কী নীংতম্বা ঙাক্লবা হোৎনবদা নীংহন্নবা লৈতনা মীতৈশিংনা মশীং য়াম্লবা বৃটিশ লান্মীশিংগা থৌনা ফনা লান্থেংনখি, অদুঙৈ কুমজা ১৮৯১দা। মদুনি ঙসিসু সনাগী ময়েক্না ইদুনা মুৎনাইদনা মণিপুরগী পুৱারীদা লৈরিবা। মরৈবাক্কী নীংতম্ববু লূম্না লৌজখিবা লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিং বৃটিশ লৈঙাক্না শুপ্নম সাসনগী বিচার চথদুনা বৃটিশ অস্পায়রগী মহারানিগী মথক্তা লান হৌবা অমসুং বৃটিশ ওফিসর মঙা হাৎখিবগী মরালদা মখোয়না লৌখিবা থৌদাংশিংগী অরূম অয়াঙ য়েংলগা মণিপুর ইমাগী নীংতম্বা কন্ননবা হোৎনখিবশিং যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ, থাঙ্গাল জেনরেল, পুখ্রম্বা কাজাউ, নিরঞ্জন সুবেদার, চিরাই থাঙ্গালবু ফাঁসি তৌদুনা হাৎখি। যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ অমসুং থাঙ্গাল জেনরেলনা ফৈদাপুংদা মীয়াম মাঙদা তৌগে মতাগুম ওগষ্ট ১৩, ১৮৯১দা ফাঁসি তৌখি। অতৈ অথৌবশিং মথংশিংনা পুখ্রম্বা কাজাউনা মে ২৫, ১৮৯১দা, নিরঞ্জন সুবেদারনা জুন ৮, ১৮৯১দা, চিরাই থাঙ্গালনা ওক্টোবর ১৩, ১৮৯১দা কৈশুমশঙদা ফাঁসি তৌদুনা হাৎখি। মহারাজ কুল্লচন্দ্র য়াওনা অতৈ মীতৈ অথৌবা ২২না মপুন্সি চূপ্পগী ওইনা কলাপানিদা লোই থাখি।

মণিপুরগী নীংতম্বা ঙাক্লবা হোৎনবা অমসুং অপূনবগী শক্তি অমা শাগৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরকখিবা মীতৈ ফুরুপনি। ঙল্লিঙৈ মতম তরামঙাশুবা চহীচাদা পানখিবা মৈদিংঙু কিয়াম্ব (১৪৬৭-১৫০৮) না পোং নিংথৌ চৌফা খেকখোম্বগা মরুপ শান্নদুনা কিয়াং খম্পাৎ খুদুম চল্লম্মী। তুংগী মীতৈ মীরোলগীদমক্তা থল্লম্বা কিয়ামপোক লমজাওনি। মতমদুদা মণিপুরগী খা-নোংপোক থংবা মায়কৈ ঙাক্লবা মীতৈশিং ক্বাথা খুল শেমগৎতুনা খুন্দাহল্লম্মী। লৈবাক অমগী হিষ্ট্রি অকা-অকুম লৈবা মহৌশানি। মণিপুরগী খ্বাইদগী লাইবক থীবা তাঙ্ককনি চহী তরেৎ খুন্তাকপা, কুমজা ১৮১৯-১৮২৫। নিংথৌ ওইবা খূৎতা শক্তিদি পায়নীংবা লিদর ওইবদা মতিক্তি চাদবা নিংথৌ মচানা নিংথৌ খুভম ফংনবা হোৎনরুবদা মীরৈবাক্কী মতেং লৌরুবা, হায়নখিবা ৱাদি নিংথৌ ওইরবা মতমদা ঙাক্লক্তবা মদুদা শাউরদুনা অৱা নিংথৌ বাগিদাউনা মহাক্কী জেনরেল মহাবান্দুলা থারক্তুনা মণিপুর তম্পাক কাং-খোং চাইহনখিবা, মতিক চাদবা নিংথৌ মার্জিৎকী মতমদা থোকখিবা অৱাবা থৌদোক্কি চহী তরেৎ খুন্তাকপা। মীতৈ হায়বা ফুরুপসি মালেমসিদগী খোঙ্গুল মূত্থৎলগে হায়দুনা চঙশিল্লকখিবা অৱাশিংগী অকনবা লাননি চহী তরেৎ খুন্তাকপা, তমথীরবা অৱাগী লানদুনা মীতৈশিংগী তুংগী হিংবগী লম্বী লমফাংহনখি। য়ূমথংনবা লৈবাক কয়াদা শৈদাংদুনা মরমদম মণিপুর থাদোক্তুনা খুন্দানখি। অমুকসু তমথীরবা অৱা লান্দা মীতৈ কয়াগী মথৱায় মাঙখি।

তমথীরবা অৱাশিংগী লীচৎ অদুবু নিংথৌমচা গম্ভির সিংহ অমসুং নরসিংহ, শাগৈগী মচিল মনাও অনীনা ইংলিস ইষ্ট ইন্দিয়া কম্পেনিগী মতেং লৌদুনা মণিপুর লেভি শেমগৎলগা নিংথিনা ত্রেন তৌরবা মীতৈ লান্মীশিংনা মণিপুরদা লান্দারক্তুনা অৱাশিং নিংথি তুরেল ৱাংমা লান্না তান্থোকখি। ময়াম্ফং চৌরজিৎ মহারাজনা গম্ভির সিংহদা শিন্নরকখিবা মতিক ময়াই লৈরবা ‘ব্রজসিংহ’ কৌবা থাঙশাংনা অৱা লান্মীশিং হাৎপদা খূৎকী খূৎশাগা থাঙগী থাঙখোক্কা অমত্তা ওইনা নপশিন্নখ্রবদা মদুবু নিংথি তুরেলদা চামখিবগী ৱারী ঙসিসু মীতৈশিংগী চীনবুং ৱারী ওইনা মীতৈ অহলশিংনা নহাশিংদা লীনরি। নাকল অমরোমদা মীতৈ নিংথৌশিংগী মতিক মথৌনাগী ৱারী নীংশিংলকপদা ঐখোয়না মৈদিংঙু পামহৈবা, গরিবনিৱাজ মহারাজ (কুমজা ১৭০৯-১৭৪৮) বু খক কাউথোকফম থোক্তে। মহাক্কী মতমদা অৱা লৈবাক্তা তরামাথোইলক লান্দারম্মী। বর্ম্মাগী চেগোইন কৌবা মফমদা লৈবা কৌমুদো পেগোদাগী থোঙগী থোঙবাদা মীতৈনা অৱাবু খুদুম চল্লম্মী হায়বা খঙনবা থাঙগী থাঙফম হক্তুনা থল্লম্মী। মথক্তসু পঞ্জখ্রে লৈবাক অমগী পুৱারী অকা-অকুমনি। ভাগ্যচন্দ্র মহারাজগী মতমদা অৱাশিংগী মখূৎতা কয়ারক হন্না লাঞ্জেন্নখি।

চহী লিশীং অহুম হেনবগী পুৱারী, ৱানা শাগৎচরকখিবা মণিপুরগী নেসনেলিজমনি। অদুবু পূম্নমকসি মণিপুরবু ইন্দিয়াদা নমদুনা পুনশিনবীখিবদগী চরক চহিং নাইবা খোঙচৎ অমদা লাকখি। সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা মনীং মখা তম্না পাল্লম্বা মণিপুরবু ইন্দিয়াদা পুল্লবা মতুংদা য়াম্না হন্থবা থাক্তা পার্ট-সী ষ্টেটসতা থন্বীখি। মদুদগী য়ুনিয়ন টেরিটোরি, মীয়ামগী অকনবা ঈহৌ লাক্লবা মতুংদা ষ্টেটহুদ, নিংঙাই চাওবা নাগালেন্দনা ঙরাংতা শেমখিবা ওইরবসু মণিপুরদগী ষ্টেটহুদ ফংবা হাল্লি। মণিপুরনা ইন্দিয়াগী শক্তম মালেমগী ফম্বাক্তা লেমজনফম ফিদা অমা ফংনবা হোৎনবদা পীরিবা কন্ট্রিব্যুসন অসিদি থোইদোক হেন্দোক্না শীংথানীংঙাইনি। লৈরিবা মীশিংগা মালেমগী থাক্তা শান্নবা মশান্না ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়ানা লিশাংশিংনা ফংলক্লিবা মেদল মশীংগা ওন্থোক্না চান্নদ্রি। শান্নবগী লম্‌দা ইন্দিয়া অসুক্কী মতিক শোথরি হায়বদু উৎতুনা লাক্লি, মদুগী অৱাৎপদু মণিপুরদা লৈরিবা মীতৈ কম্মুনিতিনা চাউনা মেনখৎতুনা লাক্লি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। অতৈমক পল্লুদ্রবসু হৌখিবা ওলিম্পিক গেমসতা ৱেটলিফটিং মশান্নদা মীতৈ চনু মিরাবাইনা সিলভর মেদল লৌদুনা ইন্দিয়াগী মায় ঙাকখি। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মোমোন নোকখি, থাগৎ ৱাহৈ ঙাঙখি।

ঙসিদি লীশাং শিৎনা নীংতম্না লৈজরম্বা ইন্দিয়াদা নমদুনা পুনশিনবীখ্রবা চীংলৈপাক মণিপুর মৈ হৌনা চাক্লে। চীংমাই কোকথোক্তুনা পোপি পাম্বী থাবদা লৈঙাক্না অথিংবা পী, রিজার্ভ ফোরেষ্ট, প্রোটেক্টেদ ফোরেষ্ট এরিয়াদা উমং কোকথোক্তুনা খুন্দা লৈতাশিন্নবা হোৎনবদা মণিপুর লৈঙাক্না অয়েৎপা পী হায়দুনা লৈঙাক্তা মৈ হৌনা শাউরকই। লৈঙাক্কী মকোক্তি মীতৈনি। অদুনা মীতৈশিংদা তাইনরসি হায়দুনা দ্রগ করবারদা থৱায় লুপচবা আইন কায়না ম্যান্মারদগী মণিপুরদা চঙশিল্লকখিবা নার্কো কুকি-জো মিলিটেন্টশিংনা মণিপুরদা হান্না লৈরম্বা মখোয়গা মান্নবা ফুরুপশিংগা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা মীতৈশিং তকখায়রসি হায়দুনা মে ৩, ২০২৩দগী ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা মীতৈশিংদা লান্দারক্লি। মরাল লৈজদবা মীতৈশিংগী য়ূম-কৈ কয়া’মা মৈ থাবীখ্রে। মীতৈ কয়া’মা লাঞ্জেন্নরে। কয়া’মনা তমথীনা হাৎতোকপীখ্রে। কয়া’মনা মখোয়না ফাখ্রগা মফম খঙহনখিদ্রে। কয়া’মনা শিনীংচিৎতা হিংহৌবা, শোইনাইবা ওইহৌরি। কুকিশিংসু অশি অনা নংই। অদুবু মদু পূম্নমক্তু মখোয়না মীতৈশিংদা লান্দারকপদা মীতৈশিংনা মশা ঙাকথোকচনবা হোৎনরকপদা থেংনবা অৱাবশিংনি।

হৌজিক্তি মণিপুরদা লৈরিবা ফুরুপ খুদিংমক্না খঙলে চিন-কুকি-জো কাঙলূপশিং মরৌ চাউবা মপা মপুশিংগী মরমসু নত্তবা মফমদা মখোয়গী মপা মপুশিংগী লমগুম্না ক্লেম তৌবা, শাশিন্নবা হিষ্ট্রি শেমগৎপদা এক্সপর্ট ওইবা, তৌবীমল খঙদবা, মীদি মাল্লগা মীওইবগী মীনুংশি চেন্দ্রবা কাঙলূপনি হায়বা। মখোয় সেন্টরগী লৈঙাকপশিংদা লোবি তৌবা য়াম্না হৈ। মখোয়না হায়বশিংদু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা য়াম্না মুন্না তাবী। মসিগী মথক্তা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী করি অরোনবা এজেন্দা লৈবননো লমহেন তুহেনবা আইন কায়না ম্যান্মারদগী চঙশিল্লকপা কুকি-জো নার্কো টেররিষ্টশিং অসি ফ্রী থাদুনা মণিপুরগী মীতৈশিংদা হনবা লৈতনা এটেক তৌদুনা ঈরাং থোকহল্লিবসি। হায়নরিবা কুমজা ২০১৭কী মণিপুর বিধান সভাগী ইলেক্সন অমসুং কুমজা ২০২০গী লোক সভাগী ইলেক্সন্দা বি জে পিগী মীরেপশিং মায় পাক্লবা হোৎনবদা নার্কো কুকি-জো মিলিটেন্টশিংগী মতেং য়াম্না চাউনা লৌখি হায়বসি অচুম্বা ওইবা তারব্রা? হৌজিক য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা তৌরিবা মওং অসিদি অঙম অঙম্বা হাৎনরো, ঐখোয় কুম্মৈ য়েংদুনা লৈরগে হায়বগী মওংনি। কুকি-জো মিলিটেন্টশিংগী অশিবা মশাশিং ফুম্বদু ফাওবা মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নরবা শেংলবা তোর্বুং বাংলাদা ফুম্নবা হোৎনরকই। মণিপুরগী হিষ্ট্রি নৌহৌনা শেমদোক শাদোকপদা চাউনা মতেং ওইগদবা থৌওংনি।

লোইশিল্লকপদা ঐখোয় মীতৈশিংগী ফীভম য়াম্না লুরি। ঐখোয়না শোক্লরিবা লান অসি হিংচা য়াইতম্বা মীওইবগী মীনুংশি মচেৎ অমত্তা য়াওদবা দ্রগ শীজিন্নবা অমসুং দ্রগকী করবারদুদা থৱায় লুপচবা নার্কো কুকি-জো ফুরুপকনি। অদুগা ৱায়েনবীগদবা লৈঙাক্কী মপি মপা ওইরবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী লৈঙাকপশিংনা কুকিশিংনা য়াই থারবা জীব ওইনা মখোয়গী শরৈদা চৎখ্রবা কাঙবুনি। অশানবা য়ূমদা লৈবা মীনা য়ূম্বুদা কুইনা লৈশিল্লকপগী মতিক শৈদাংবনি কাউথোকখিদুনা লম য়েন্থোক্লসি হায়রকপগুম মণিপুরসি শরুক অহুম থোক্না য়েন্থোক্লবদি ঈরাং লেপকনি হায়নকাসু ফোঙদোরক্লি। মরকসিদা মীতৈশিং করিগুম্বা খোঙজং অমা চঙশিন্দ্রিঙৈদা মুন্না তাথোক তাশিন তৌবগী তঙাইফদবা লৈ, মীনা খুদোংচাবা লৌখিদনবা। ঐখোয় মীতৈশিং লাইওইখ্রবা থৌনা ফরবা মীতৈ ইপা ইপুশিংগী ৱারী নৌহৌনা নীংশিংদুনা অনৌবা থৌনা হাপ্লসি। ইমা লৈবাক মণিপুর নার্কো কুকি-জো মিলিটেন্টশিংগী মখূৎতগী কনসি হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# হিংমিন্নসি লৈমিন্নসি ঐখোয় পূন্না

- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -

মণিপুরগী পাক চাওবা স্কৱার কিলোমিটর ২২,৩২৭ অসিদা মীয়ামগী মীহুৎনি হায়দুনা মীয়াম্না খল্লিবা মীহুৎ অসি ৬০ খক্তনি। ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টকী মীহুৎ ওইনা খল্লিবনা ইন্নর অমসুং আউটর হায়দুনা ২ খক্তনি। মীশিংনা কুমজা ২০১১গী সেন্সসকী মতুংইন্না ২৮,৫৫,৭৯৪নি। মহৌশানা খুন্দা লৈতাবা মতমদা খুদোংচাবা চাদবা চৎথোক-চৎশিন্দা নুংঙাইবা-নুংঙাইতবা, লল্লোন ইতিক তৌবদা নুংঙাইবা য়েংদুনা খুন্দানবা মহৌশানি। মীওইবদি মহৌশানা মশা মশাগী খুদোংচাগদৌবা, ওইজ-ওইথক ফংগদৌবা মফম য়াম্না খন্দুনা লৈবা, হোংবা অসি মীওইবা খুন্নাইগী মচৎনি। ইপানা-ইমানা পোকপীবা মতমদা মচাশিংবু তাকু-তরাং, হুরান-চিন্থি, মীনম-শোরিবা তৌদুনা নঙগী পুন্সি অদু হিংলকউ নৎত্রগা হিংহৌরো হায়বা মমা-মপা মালেমদা লৈতে। অঙাং ওইরিঙৈদা নহৈ-নশীন তম্মু, নপাঙ্গল নথৌনা লৈরবা মতমদা শেল তাল্লু, ধর্ম্ম লৈবা মথক-মখা নাইনা চৎপা লমচৎ ব্যবহার ফজবা, নমা লৈবাকপু নুংশিবা ওইয়ু হায়বা অসিনি। মালেমগী মমা মপা ওইবা খুদিংমক্না পোকপদগী মরোমদোম লেপচবা মতম ফাওবগী পাউতাক অসিনি। মমা লৈবাক্কী মায়োক্তা লৈবা মীবু মীনা মী ওইনা লৌনদে। মখোয় অদু মীতোক চাক, মীথিবোং-মীতম্বাল হায়দুনা মীয়াম্না হায়নৈ। চুম্না লম্বী চৎপা উবদা তু মীথিবোং-মীতম্বাল অসি লাক্লে হায়দুনা হায়নরিবনি। মী ফত্তবগী হীদাক লৈতে, অনাবা ফত্তবা লায়েংলগা হীদাক থারগা ফৈ, লাই ফত্তবা থৌ তৌরগা, অজা পুজা তৌরগা চৎথোকহনখিবা/তান্থোকপা ঙমই, মী ফত্তবগী হীদাক লৈতে হায়বদুনি অহল-লমন্না থল্লল্লিবা পাউতাক অসি।

মসিদগী ঐখোয় পূন্নমক্না খঙই, মমা-মপানা মচিল-মনাও কয়া পোল্লবসু ফত্তবা য়াওরকপদা মমা-মপা ওইবা কয়ানা তুবী লাইরেলনা মচা তরেৎ পোকপদা হঙ্কোক অমা য়াওই হায়বদুনি। ময়াম লৈরবদি লাইরেলনা লাইরেনগী মগুন ঙাক্না চৎপা হঙ্কোক্না হঙ্কোক্কী লমচৎ-শাজৎ চৎলকপদা করিসু অঙকপা পোকফম থোক্তে। মসিদি মচিল-মনাওনা হঙ্কোক চৎখ্রগা লেমহৌরিবা তুবী লাইরেলগী মচিল-মনাও তরুক্না মফম মতম চানা ৱারকহৌবা ময়াম মরক্তা তিনবা য়াদ্রবা নাইতোম তাবা পাম্বা হঙ্কোক মাদি হঙ্কোক্কী লমচৎ চৎপা য়াবা মফম নারক মোংশোংদা লাপ্না শনম মীনম তাদবা মফমদা ইন্থোকখিবা/তান্থোকখিবা নত্তনা অতোপ্পা লম্বী লৈতে। হায়নবা লৈ মীতোক চাক মীতম্বাল নঙবু কনানা তিন্নবা ঙমগনি হায়বদুনি। মফম খুদিং চন্নরোই, মীতোক চাক্তি মীতোক চাক ওইদুনা লৈগনি।

লোইবী চীংশাং নাপোমদা উপাল ৱাপাল য়ান্থৎলগা চীংশাং খুদিং মরূ কোকখিবদগী মহৌশাগী খল কায়থরকপনা অঙৈং-অশা হোংলকপা কয়া অমগা ইরোয়ননা খুন্নাই অসিগী লন ওইরিবা নহা কয়া মাঙহনবদা য়াম্না কন্না কোক থাদরিবা মশাগীতা খনবা হঙ্কোক মানবা কয়া অসি কনা কনানো থিরিবা মতমনি। মীওইবা খুন্নাইগা উমং ৱামংগা হেক লাপথোক্লবদা মাঙজবনা শরুক চাম্মা চাম্মনি। মসিনা মরম ওইদুনা উমং কন্নবা কন্না হোৎনবা মতমদা মদুগী মায়োক্তা লৈবা মীওইবা খুন্নাইগী মচৎ চৎত্রবা ইচাবোক নৎত্রবা মীচাবোক ওইরবা কয়া য়ূমদাংবনা কৈনাইবা, লৌ মপু য়োংনা তানবা কয়া য়াওরকপা অসিদা ঐখোয়বু ঙাকপী-শেনবীগনি হায়দুনা লৈবাক অসিগী ওইবা আইন লীংদুনা মীয়াম্না মীহুৎ খন্দুনা অপূনবা লৈবাক অমগী পাঙ্গল শাগৎকনি, লৈবাক্কী অরোনবা ঙাক্কনি, মনুং অমসুং মপানগী য়েখাই-থিনগাইরকপা পূম্নমক ঙাক্লবা হোৎনগনি হায়বশিংনা অমুক লৈবাক্কী মায়োক্তা থবক তৌরকপা য়াওরক্লবদি মদুদগী হেন্না শাথীবা অমা লৈত্রে হায়বা য়ারবনি।

স্কৱার কিলোমিটর ২২,৩২৭ খক চাওবা ইন্দিয়াগী অপীকপা ষ্টেটশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মণিপুরনি হায়বা খঙনা-খঙনা, উনা-উনা অমাংবা কাওশিল্লক্লিবা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসন ঙাক্না চৎকনি হায়দুনা ৱাশক লৌরবা মীওইশিং ফাওবনা মণিপুরদগী মখোয় তরাগী ওইবা লমগী তোঙানবা লৈবাক অমা ওইরগে/লীংলগে হায়বা অসিদি হায়ববু ঙম্বু ঙম্মী। মহৌশা লালহৌবা কাঙলূপ অমনা মখোয়গী ওইবা লম ওইগে, লৈঙাক লিংগে হায়বদুদি অমনি। মখোয়দি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী ৱাংমদা লৈবনি। মদুসু নত্তনা লৈবাক্কী ইন্টিগ্রিটি অমসুং সোভরেন্টি ঙাক্কনি হায়দুনা ৱাশক লৌরবা মীহুৎ ফাওবনা মসিগুম্বা ৱাহৈ শীজিন্নরক্কনি হায়বা অসি মঙ ফাওবদা মঙলোইদৌবা অমনি। স্কৱার কিলোমিটর ২২,৩২৭ অসি সিট ৬০না য়েন্থোকপা মতমদা মীহুৎ অমগী লম অসি স্কৱার কিলোমিটর ৩৭২ খক্তনি। মখোয় তরাগী ওইনা স্কৱার কিলোমিটর ৩৭২০ লোমদনি। গোৱাগী এরিয়াগা চাওবা মান্নরে হায়গে হায়রিবরা? মতাং অসিদা থমজনীংবা ৱাফম অমনা, কুমজা ২০২৬তা ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্ট অমসুং ষ্টেট এসেমব্লিগী দিলিমিটেসন তৌবা মতমদা মীশিংদসু য়েংবীয়ু অদুগা এরিয়াসু কোৎথোক-কোৎশিন তৌবগী মহুত্তা সেটিলাইট সর্ভে তৌরগা সিট ৭০/৮০ ওইরো, চপ মান্ননা য়েন্থোকপা মীশিংদা য়েংবগী মহুত্তা এরিয়া ওপরেসনদা য়েংদুনা থবক তৌবনা হেন্না খুরৌ থাংবা, চরক-চহিং নাইবা কয়া অসিদগী কোক্কনি হায়না থমজগে। চীংদা অমসুং তমদা লৈবা কন্সটিট্যুএন্সি কয়াদা কোৎথোক-কোৎশিন তৌবা তৌহৈদবা থবকনি। চপ চপ চানা সেটিলাইট সর্ভেনা মাগী-মাগী এ সী অদুগী এরিয়া চপ মান্ননা ওইবা মতমদা চাকথুং ৱাৎনা থুংই-থুংদে হায়বা লৈফম থোক্লোইদ্রা হায়নীংই।

মণিপুরদা লৈরিবা ঐখোয় পূন্নমক মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিগী মখাদগী লৌরকপা ৱারেপশিং অদুনা থবক ওইনা ওন্থোক্লগা লম্বী-থোং, মৈ-ঈশিং, ঈথৈ-লৌখোং, ইরম-নালা, অনা-লায়েংশঙ, মহৈ-লোয়শঙ, ঙাক শেনবা চাওখৎ থৌরাং পূম্নমক মীচম মীয়ামদা য়ৌরকপা অদুনি ঐখোয় পূম্নমক্না ফংলিবা খুদোংচাবা পূম্নমক। কনা-কনাগী চাকথুং থুংদবা লৈরবসু ঐখোয়-ঐখোয়গী মীহুৎ থাগৎলি মদু ফাওবা খঙদবা হৈতবা ওইরগনা চহী মঙাগী মতুংদা শিনে দাকপা য়াবা ঙাক্তনি। পিবা ফম নত্তে কনাসু, শিদ্রিবা ফাওবা মখোয়গী রিজার্ভ সিট ওইগনি হায়বা লৈবা নত্তে। মীয়ামগী মীহুৎনা লৈঙাকপনি। মসিগা লোয়ননা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনবু ঙাক্না চৎপা, আইনবু ইকায়খুম্নবা হায়বা অসিনা পূম্নমক্কী অৱাংবা থাক্কী মফমনি। আইনবু মখূৎনা পায়দুনা তৌনীং-তৌনীংবা তৌরবা, হায়নীংবা হায়বা, চানীংবা চাবা, থকনীংবা থকপা, লৌনীংবা লৌবা মীগী শরুকসু ঐনা লৌদবা য়াদে, ঐনা চাদবা য়াদে হায়বনা আইনবু ইকায়খুম্নে হায়বদি য়ারোই। মীওই খুজোক খরগী থৌইনশিন্দা নুংশিনদনবা হু কাম্বা, মদুনা চমজরবা মীচম মীয়াম লিশীং-লিশীংনা তূম্ফম-চাফম খঙদনা ময়ূম-মকৈ মরোল মরাং তাকহনবদি তৌহৈদবা থবকনি। লন-থুমদা নত্তনা নোংমগী শুজ-নোমজরগা চরা তানবা, মচা-মনাও শেম্নবা হোৎনবা শিন্মী কয়াবু পুন্সি পিখম্নহনবা হায়বসি খ্বাইদগী ধর্ম্ম য়াওদবা জঙ্গলদা লৈবা শাগী লমচৎনি। হৌখিবা পূম্নমক কাউথোক্লরগা মতুং তারকপা পুন্সি কয়াবু কাঙলূপ-ফুরুপ খায়দনা, ফুরুপ কাঙলূপকী খেন্নবা মিৎয়েং থমদনা হিংমিন্নসি, লৈমিন্নসি নুংশি চান্ননা ঐখোয় পূন্না মণিপুর ষ্টেট অসিগী লৈমায়দা তাখিবা নঙগী-ঐগী নাওফমগী মগুন খঙনা ঙাকমিন্নসি, কনমিন্নসি মণিপুর। ●

ষ্টেটকী পাউ

## মোরেদা পোষ্টিং তাবা ৫শুবা আই আর বিগী পর্সনেল বুংচা মীশিগী মতাংদা সিএমদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৮ (ঐচএনএস):**
মোরেদা পোষ্টিং তাবা মঙাশুবা ইন্দিয়ান রিজর্ব বট্টালিয়ন (আই আর বি) দা ফোল্লোৱর ওইনা থবক তৌবা য়াইরিপোক য়াম্বেমগী সনাবম বুংচা (২৩) অপোকপা এস ইঙোচা মোরেদা দেঙ্গিনা নাবদগী লায়েংনবা হিদাক লাংথক মতিক চানা ফঙদদুনা লৈখিদবগী মতাংদা ইমুং মনুংনা পেন্দবা ৱাফম খরা ফোঙদোকপগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল পীদুনসু ৱাকৎখ্রে হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা য়াম্বেম নহারোল মরুপ (ৱাই এন এম) গী জেনরেল সেক্রেটরি সরুংবম দয়া অমদি মৈরা পায়বী য়াম্বেমগী জেনরেল সেক্রেটরি সরুংবম সুমতি অমদি ৱাই ৱাই পি সিগী জেনরেল সেক্রেটরি চিংখাম সুর্জিৎ য়াওনা মীওই অহুম্না খুৎয়েক পীদুনা চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুদা পল্লিবদি মরু



ওইনা অথুবা মতমদা মোরেদা ষ্টেসন তৌদুনা লৈবা ষ্টেট ফোর্সশিং অসিদা মতিক চাবা মেদিকেল ট্রিটমেন্ট ফঙহনবীয়ু।

হৌজিক মোরেদা লৈরিবা ইনভাইরনমেন্ট অসিনা মরম ওইদুনা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা কয়া লৈরি। অথুবা মতমদা নেসনেল হায়ৱে নম্বর ১০২ ইম্ফাল-মোরে লম্বী অসি হাংদোকপীয়ু। লোয়ননা মণিপুর ষ্টেটকী ইন্টিগ্রেসন বাউন্দরি প্রোটেক্সন ঙাক শেন্দুনা লৈরিবনি। লৈখিদ্রবা সনাবম বুংচাগী ইমুং মনুংগী মীওই অমদা লৈঙাক্না মতিক চাবা থবক অমসু পীবিনবা হায়রি।

পাউমীশিংগা উন্নবদা লৈখিদ্রবগী ইমুংনা ফোঙদোরকপদা বুংচা অসি মোরেদা হৌখিবা এপ্রিল থাদগী পোষ্টিং তাদুনা লৈরকখিবনি। মরকসিদা মৈতৈ অমদি কুকিগী মরক্তা কনফ্লিক্ট অমা থোক্লকপদগী রিপ্লেসমেন্ট অমদি রোটেসনগী খুদোংচাবা লৈখিদে। মোরে পোষ্টতা টেন্সন অমদি খুদোংচাদবা কয়াগা লোয়ননা শাংনা লৈরকপদা খঙহৌদনা মহাক্কী হকচাং ঙল্লকখিদে। অদুবু হায়রিবা মফম অদুদা প্রোপর মেদিকেল ট্রিটমেন্টগী খুদোংচাবা ফঙদবগা লোয়ননা চথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা কয়া লৈখি হায়রি।

দেঙ্গিনা নারে খঙলবসু হোস্পিটালদা লায়েংদুনা লৈবগী খুদোংচাবসু ফঙখিদে। মসিনা মরম ওইরগা মহাক হৌখিবা থাসিগী ৬ কী নুমিদাং পুং ১১ রোম তাবদা লৈখিদবনি হায়রি।

বুংচানা লৈখিদবা অসি য়াম্না নুংঙাইতবা মওংনি। ইমুংগী মীওইশিংগা পুকমেন পাউমেন্নদুনা অনাবগী ফিভম হংবগী খুদোংচাবসু অমত্তা ফঙখিদে। অসিগুম্বা মীশি অসি লানদা শিবদগীসু তাদে হায়না ফোঙদোরকখি।

## ‘লৈঙাক্না য়ুম শিদোকপীখ্রগা শাবীদনা লৈরে’

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৮ (ঐচএনএস):**
ৱাইথৌ থারোরোক চীংয়াদা তারম্বা য়ুমশিং মণিপুর লৈঙাক্না থুগায়খিবদগী মণিপুর লৈঙাক্না য়ুমশিং শানবা লম পীগনি অমদি য়ুম শাবীগনি হায়রবসু ঙসি ফাওবা শাবীদনা লৈরে হায়না জোইন্ট এক্সন কম্মিটি এগেনষ্ট ড লেন্দ ইভিক্সন প্রোসেস ওফ ড ৱাইথৌ শঙ্গোমশঙ চীংয়া এরিয়াগী জে এ সিগী কনভেনর এমদি অব্দুল কায়ুমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, মণিপুর লৈঙাক্না পীফম থোকপা কম্পেন্সেসন পীবিদনা লৈরি। মরম অসিনা মীগী লমদা রিলিফ কেম্প হাংদুনা চহী চুপ্পা লৈবা য়াগদবা নত্তে। নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা মণিপুর লৈঙাক্না য়ুম শাবীনবা অমদি লম পীদ্রবদি হান্নগী য়ুম শাদুনা লৈরম্বা ৱাইথৌ থারোরোক চীংয়াদা অমুক হন্না য়ুম শাদুনা লৈশিল্লগনি হায়রি।

মসিদা থোরকপা অফ ফত্তগী তেকচাক পুন্নমক মণিপুর লৈঙাক্না পুগদবনি। য়ুম অসি শানবা হোৎনরকপদা মণিপুরদা লৈরিবা ক্লব, ওর্গনাইজেসন পুন্নমক্না মতেং পাঙবীনবা জে এ সিনা মরী লৈনবশিংদা আপিল তৌরক্লি।

## দি আই পি আরগী হান্নগী দাইরেক্তর বালকৃষ্ণ ফেয়রৱেল পীখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৮ (ঐচএনএস):**
দাইরেক্তোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স (দি আই পি আর) দা মতম শাংনা মীয়ামগা লোয়ননা দাইরেক্তর ওইনা থবক তৌরম্বা হৈস্নাম বালকৃষ্ণবু ঙসি দি আই পি আরগী ওদিটোরিয়ম হোলদা ফেয়রৱেল পীবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

হান্নগী দাইরেক্তর ফেয়রৱেল পীবগী থৌরম অদুদা দিপার্টমেন্ট অসিদা থবক তৌরিবা শক্লাইরবা ওফিসরশিং, ষ্টাফ কয়াসু শরুক য়াখি। দি আই পি আরগী নৌনা দাইরেক্তর ওইনা খল্লবা ডা. থৌনাওজম চরঞ্জিৎ সিংহসু ষ্টাফশিংনা তরাম্না ওকখি। থৌরম অদুদা দিপার্টমেন্ট অসিগী এদিস্নেল দাইরেক্তর ৱাইখোম ফজতোম্বী, দিপ্যুটি দাইরেক্তর (প্রেস) তোংব্রম রামেস, দিপ্যুটি দাইরেক্তর এদমিনিষ্ট্রেসন এল অশোকসু শরুক য়াখি।

( ACI ) ADVANCED COACHING INSTITUTE
Sc.,Arts & Comm
LARGEST AND TRUSTED PREMIER COACHING INSTITUTE IN MANIPUR
TIME SCHEDULES
4.30am to 7.50 am
6 to 10AM
4PM – 7PM (Kwak)
MAXIMUM POSITION HOLDERS PRODUCER IN EVERY YEAR IN BOTH X & XII
HSLC
SCIENCE
TOPPERS STUDENTS
2nd Post DHANAJIT, 9th Post. SWATI, 10th Post KHENILA, 11TH Post NEVITA, 15th Post AVANTIKA, 16th Post SHAGEINGANBA, 17th Post BIDAYA, 17th Post KHENIK, 17th Post KHENIJA, 7th post SNEHA, 9th Post MALEM, 23TH Post. PARES, 24th TANU
11 TH Post NEVITA, 4TH Post ROBINSON, 6TH Post SHAH MINHAZ, 8th Post. ANJU ANAND, 9th Post. THOUNGAMBA, 16th Post SAMANANDA
ARTS
3RD Post FIROJH., 7TH Post OBINKUMAR, 8th Post. PARITON, 8th Post. PARIHAN, 10th Post. SANATHOI, 5th Post SHARMELI, 5TH Post BERON, 8th Post. LINTHOINGAMBI, 10th Post. BRINDASHI
STATE BOARD AND COUNNCIL (BOSEM & COHSEM)
Hurry !! Limited Seats
CENTRAL BOARD (CBSE)
XI&XII( Sc/Arts/Com) FOUNDATION 2nd,7th, 9th August
XI & XII (Sc/Arts/com) FOUNDATION : 2nd ,7th Augst
FOUNDATION COURSE FOR VI TO X : 2TH, 7TH AUGUST
FOUNDATION (VI - X) : 2th, 7th Au-
NEET & JEE FOUNDATION
LATEST Study materials & Question sets from KOTA & ALLEN
CONCESSION : 1. ACIANS/Former 2. Govt. school students 3. Two or more students of same family 4. freeship for position hol ders in class x & xii and 90% above 5 Freeship for position holders 6. 85% and above P.C.B of xii of 23 7. freeship for meritorious students NEET 22/2
Faciliteis :7 full test series & state label mock test series ,30 extra test series for neet /jee van service, separate boys /girl hostel with wifi connection , Sunday mock test, extra dought session ,Extra class of Manipuri and English and optional subject for x and xii ,provided study materials .
For details visit office of NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH 9862992105
HL-B/8193/1 Aug to 28 Sept

## জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা চথখিবা বন্দনা মহৌশাগী পুন্সিদা চাওনা অকায়বা পীখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৮ (ঐচএনএস):**
ঙরাং নুমিদাং পুং ৮ দগী হৌরগা পুং ২৪ গী ওইবা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা কৌখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক্না মরম ওইদুনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা মহৌশাগী পুন্সিদা চাওনা অকায়বা পীখ্রে।

জিরি দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (জে দি ও) না কৌখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অদুনা মরম ওইদুনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা স্কুল, কোলেজ, লৈঙাক্কী ওফিসনচিংবা থোঙ হাংখিদে। লোয়ননা কৈথেল অমদি দুকানশিংসু মী অমত্তা কান্নরকখিদে হায়রি।

বন্দ অসিগা মরী লৈননা জে দি ওগী মীহুৎ দেবাননা ফোঙদোরকপদা হৌখিবা মে ৩ দগী লৈবাক মীয়ামগী ওইবা ইরাং অসিনা খঙহৌদনা লমদমসিদা ফম অচৌবা পায়রিবা দিসি অমসুং এসপিবু খুদক্তা জিরিবামদগী ট্রান্সফর তৌবা অসি য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা থা অসিগী ২ দা প্রেস কনফরেন্স অমা তৌরবা মতুংদা লৈবাক্কী মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা করিমত্তা তাবীদবদগী জিরিবামবু অথাপ্পা লমদা লৈবনি হায়দুনা মীরাইবীবগী মওং মাল্লি। মরম অদুনা অসিগুম্বা মীয়াম প্রজাগী অপাম্বা তুংওইনরগা ঙম্মী হায়বগী মতাগুম হেক্তা ট্রান্সফর তৌবা অসি য়ানিংদে। মতম শাংনা মীয়াম প্রজাগা লোইনদুনা লৈরকপা জিরিবাম দিসি অমদি এসপিবু খঙহৌদনা ট্রান্সফর তৌখিবা অসি প্রজাশিংনা পেন্দে।

মীয়ামগা অফবা মরী লৈনরকপা ওফিসর অনী অসিনসু লমদম অসিদা চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়াসু থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনবীরম্বা লোয়ননা মতুংদসু কয়া অমা তৌরক্কনি হায়না খুঞ্জাশিংনা আশা তৌরম্বনি। অদুবু খঙহৌদনা মণিপুর লৈঙাক্না ওফিসর অনী অসি ট্রান্সফর তৌখিবা অসিনা প্রজাশিংনা পেন্দবদগী জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট বন্দ কৌখিবনি হায়রি।